মীয়াম্না মতম চানা ভেক্সিন কাপথোক্তুনা কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনসি : রোবিন্দ্রো

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস):

ময়াং ইম্ফাল এ সীদা লৈরিবা মীয়াম্না মতম চানা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্তুনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনসি হায়না এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

সেকমাইজিনদা লৈবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরদা এ সী অসিদগী কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংবু এৱেৰ্নেস পীদুনা ভেক্সিন কাপ্পা হৌহনখিবগা লোয়ননা দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা হায়খি, ময়াং ইম্ফাল এ সী অসি য়াম্না পাক চাউবনা এ সী অসিগী মতায় ইথং-থংননা লৈরিব লফুপাৎ তেরা, খোর্দাকনচিংবদগী লোক্তাক পাৎতা ঙা ফাদুনা অমসুং পাৎকী মতেংনা হিংনবগী লম্বী অমা ওইদুনা লৈজবা মীয়াম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পনবগীদমক চৎথোক চৎশিন্দা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদু কোকহন্ননবা লফুপাৎ তেরা কোল্লাখোং জি পিগী প্রধান বসন্তগা তান্নদুনা অহানবগী ওইনা মফমশিং অসিদা লৈরিবা মীয়ামশিং ভেক্সিন কাপথোকহন্ননবা হোৎনবনি। মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবা ভেক্সিনেসন তৌহৌদবশিংসু লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা ভেক্সিন কাপ্পা হৌবনি।

ভেক্সিনেসন ড্রাইভ অসিদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন ২৩/৩৮দগী হৌরগা ২৩/৪১ ফাওবগী ওইনা লফুপাৎ তেরা হিয়াংখোং, লফুপাৎ তেরা ময়াই লৈকায়, লফুপাৎ তেরা খুনৌ অমসুং খোর্দাককী মনুংদা লৈবা মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবশিংবু ভেক্সিন কাপ্লি। ভেক্সিন কাপত্রিবশিংদা কোভিদ-১৯গী এৱেৰ্নেস নীংথিনা পীদুনা ৱাখল তামিন্নরগা ভেক্সিন অসিগী কান্নবশিং খঙহন্দুনা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি চঠখবনি। এ সী অসিগী অতোপ্পা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদগী ভেক্সিন কাপহৌদবশিংসু মথং-মথং কাপথোকহন্ননবা থৌরাং লৌখৎকনি।

ময়াং ইম্ফাল এ সীদা লৈরিবা মীয়াম্না ভেক্সিন মতম চানা কাপথোক্তুনা কোভিদ ফ্রী এ সী অমা ওইহন্ননবা হোৎনমিন্নসি। এ সী অসিগী ওইনা মশাগী চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংসু কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌরে। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা মীয়াম্না চেকশিনমিন্নসি। লোয়ননা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙা কয়া পাক্তক্নুনা শিবদগী ঙামীশিং কোক্তা খুৎ হাপ্পরে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা কর্ফিয়ু অসিনা মীয়ামদা খম থেংনা ৱানরিঙৈ চৈরক অসিদা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম এরিয়াদা লৈবা ঙা ফার্মশিংদা ঙা কয়া পাক্তক্নুনা শিবদগী ঙামীশিং কোক্তা খুৎ হাপ্পরে।

হীরম অসিগী মতাংদা হিয়াংলমদগী ঙামী খরনা ফোঙদোরকপদা, হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা ষ্টেট অসিদা শাবগী চাং অসি কা হেন্না হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা হিয়াংলমদা লৈরিবা ঙা ফার্ম অয়াম্বদা ঙা কয়া পাক্তক্নুনা শিবা হৌরে। শিরিবা ঙাশিং অসিসু কৈথেলদা চৎলগা য়োনগদবা অদুসু হৌজিক অসি কর্ফিয়ু লৈবনা যুমদগী মপান থোকপা য়াদবনা ঙা অয়াম্বা পৎ পুল্লগা মাঙলে। অসুম্না ঙা কয়া পাক্তক্নুনা শিদুনা মাঙবা অসিনা মরম ওইরগা ঙা ফার্ম তৌরগা হিংনবগী লম্বী ওইরিবা ঙামীশিংগী তুংগী লাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরে। মরম অসিনা হীরম অসিদা মরুওইনা ফিশরি দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অৱাবা তারবা ঙামীশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

টাস্ক ফোর্স শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সোসল ৱর্কর ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) হৈরাঙ্গোইথোং কৈথেলগী কোভিদ-১৯ পিপল টাস্ক ফোর্স শেমখ্রে।

এস দব্লিয়ু সী মল্টিপর্পজ হোলদা ঙরাং এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা কোভিদ-১৯ মণিপুর পিপল টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা ময়াই তাংবল লৌদুনা ক্লব অসিগী মীওইশিং অসি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী ওইনা খনখিবনি হায়না এস দব্লিয়ু সী হৈরাঙ্গোইথোংগী প্রসিদেন্ট ৱাই বোনিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। পুন্না মীওই ১৫না শাবা টাস্ক ফোর্স অসিগী চেয়রমেননা য়াংলেম বোনি, কনভিনরনা এন জি ইবোয়াইমানি। ট্রেজররনা বোবো ইঙুদমনি হায়রি।

অৰাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফেকল্টি মেম্বরশিং, ওফিসরশিং, ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি নুংথিল কম্মিটি রুমদা পাঙথোক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা চৌকিদার ওইরম্বা লংথবাল মন্ত্রিখোং ময়াই লৈকায়দগী কে ঐচ নবচন্দ্র অমসুং মণিপুর ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি)গী লেবোরেটরি এটেন্দেন্ট ওইরম্বা সগোলবন্দ সলাম লৈকায়দগী এম সুভাশিনিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দব্লিয়ু চান দবাবুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অৰাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিখ্রে হায়না এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দব্লিয়ু চান্দবাবুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

‘মীয়ামদা লেম্না পীগদবা চেঙ অথুবদা ফংহল্লু’

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) :

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা পীরক্লিবা চৈথেংনা মরম ওইরগা খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা মীয়ামদা লেম্না পীগদবা চেঙ অথুবদা ফংহল্লু হায়না সী পি আই উরিপোক লোকল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শাথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিনা উরিপোক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন পুম্নমক্তা শোকহল্লক্তবা লৈশিল্লক্ত্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মরুওইনা লায়রবা মীচম-মীয়ামদদি হেন্না হেন্না অৰাবা চৈথেং পীরে। লায়না লাইচৎ অসিগী অহানবা ৱেভ পি এম জি কে ৱাই স্কিমগী মখাদা লৈঙাক অসিনা ২০২০গী নবেম্বর থা ফাওবা চেঙখক্তা নত্তনা হৱাইনচিংবা অতৈ পোৎলম ফংহনবীখ্রে। অনীশুবা ৱেভ অসিগীদমক্তদি লৈঙাক অসিনা অসিগুম্বা মখলগী তেংবাঙ মীয়ামদা ফংহনবগী মমি তাদ্রি। লৈঙাক্লা লাইচৎ অসিগীদমক মে অমসুং জুন থাদা চেঙ কে জি ৫/৫ ফংহনগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম অদু উরিপোক এ সীগী ওইনদি ফংহনবা লৈত্রি। অতৈ এ সীশিংদা লেম্না পীবা চেঙগী চাং অসি এ সী অমগা এ সী অমগসু মান্নবা লৈতে। হৌজিক শাথিরবা লায়না লাইচৎ অসিগী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারগী মীৎয়েং মখাদা নাওরেমথোংদা চঠরিবা অসি উরিপোক লোকল কাউন্সীলনা থাগৎলি।

অমরোমদা লম্বোই খোংনাং-খোংদা লৈবা ট্রেদ সেন্টরদা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদুনা লায়না লাইচৎ অসিগী অনাবশিং থল্লি। ডোক্তর অমদি মরী লৈনবশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌরি। অদুবু চান-থক্লবা, হিদাক-লাংথক্তি অনাবা কাঙবুশিংগী মায়কৈদগী পুথোকহল্লি। মসি লৈঙাক্লা পুথোক্লবা কাউন্সীল অসিগী মায়কৈদগী তকশিঞ্জরি। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনাগী মখাদা অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংনা লুপা লাখ ১.৫ চঙনা চেক্কী যুম শাবগী থবক হৌগৎলিবসিগী শেন্থং পীথদনা লৈরিবা খরা পীবা হৌরম্লগ লেপথোকখ্রে। মসিনা লায়রবা মীওইশিংদা হেন্না হেন্না অৰাবা পোৎলুম থোংগৎপীরে। মীঙোন্দগী শেন্দোয় হুল্লগা শেল পুদুনা যুম শাগৎপা হৌরুবা, শাবসু লোইশিনবা ঙমদবা, শেল পুৎথবা লৈঙাক্কী থৌশিল য়ানিংদে। হৌজিক্কী মতমদা চেক্কী যুম অমা শাবদা লুপা লাখ ১.৫ অসিনা করি তৌবা ঙমগদৌরিবনো।

মরম অদুনা ফেজ অহুম থোক্লা পীগদবা শেন্থং অসি হৌজিক্কী চান্নবা মমল য়েংলগা রিভাইস তৌবীদুনা অমুক্তংদা শেন্থং অসি পীবীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লি। কুমজা ২০২২গী মনুংদা অর্বান এরিয়াদা যুম লৈজদবা পুম্নমক চেক্কী যুম শাবীগনি হায়না থাজবা পীখিবা লৈঙাক্কী থৌরাং অসি ঙসি ফাওবা মপুং ফানা লৌখৎপীদবা হায়বসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। মরম অদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মীয়ামদা পীরিবা অৰাবশিং অসি য়েংলগা লৈঙাক্লা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎপীননবা সী পি আই উরিপোক লোকল কাউন্সীলগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা খুদিংমক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঐখোয় খূদিংমক মতম চানা ভেক্সিন কাপথোক্তুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হোৎনহৌসি : জাদুমনি

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস):

তমথীরবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা ওইহল্লক্লিবা মীপায়বা অসিদগী ঐখোয় পুন্না ঙাকথোকমিন্নসি। যুমদগী মপান থোক্তনা এস ও পি ঙাক্লা লৈমিন্নসি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকহৌসি হায়না ৱাংখেম এ সীদা হান্না কেন্দিদেট ওইখিবা সোসল ৱর্কর কে জাদুমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ৱাংখেম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা ৱাইথৌ অমসুং চরাংপাৎ খুনগী ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংবগী চৎপদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৰাবশিং অদু খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা পান দমদা কে জাদুমনিনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী মনুং চন্না ঙসিগী তোঙান তোঙানবা ইমুংশিংদা নোংমগী চঙবা চান-থক্লবা পোৎলম চেঙ, আলু, থাউ, থুম অমসুং ঙারিনচিংবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংজবনি হায়খি।

এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদসু পোজিটিভ ওইবা মীগী মশীং হেনগৎলকপদগী যুম যুমদগী মী অমত্তা মপান থোক্লদবা, দুকান অমত্তা থোঙ হাংনদবনা অৰাবা তারবা ইমুংশিং অসিদা মতেং অসি পাংজবনি। মখা তানসু অৰাবা তারবশিংদা লেপ্তুনা মতেং পাংজখিগনি হায়রদুনা ঐখোয় ইশা ইশানসু ৱাখল তাবীদুনা কোরোনা ভাইরস অসিদগী ঐখোয় পুন্না ঙাকথোক্লবা লাম্তেংমিন্নসি হায়নসু কে জাদুমনিনা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

লৌশিং পুক্কে

কোভিদ-১৯না অতোপ্পা

লায়নাশিং নাবগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লি

কোভিদ-১৯না নাবা মীওইশিং ইনফেক্সন অসিগী অহানবা ফেজ লোইরবা মতুংদা অনৌবা হকশেলগী খুদোংচাদবা অমা দিভেলপ তৌরকপগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়না অনৌবা ষ্টদি অমনা হায়রি। ষ্টদি অদুনা কোভিদ-১৯ দাইগ্নোজ তৌখিবা মীওই ২০০,০০০ হেনবগী দেটা রিভিয়ু তৌখি। অহল ওইরবা মীওইশিংদা কোভিদ-১৯গী হেন্না খুদোংচাদবা ফীভমশিং মায়োক্লবা য়াবগী চাং হেল্লবসু, অনৌবা ষ্টদি অসিগী মতুংইন্না নহা ওইরিবা মীওইশিংদনা অনৌবা হকশেলগী খুদোংচাদবশিং দিভেলপ তৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংবা হেল্লি হায়রি।

মালেমগী ওইনা এপ্রিল থাদগী কোভিদ-১৯ কেসশিংগী মশিং হন্থরকখিবগা লোয়ননা পেন্দমিক অসিগী মতুংদা ওইরিবা পুন্সিগী ফিভমশিংদা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা লাক্লি। রিসার্চর কয়ানা সার্স-কোভ-২ ইনফেক্সনগী লোং-টার্ম ইফেক্টশিংগী মরমদা খঙদোক্লবা হোৎননিংবগী অপাম্বা লৈরি।

বি এম জেদা পব্লিস তৌরকখিবা অনৌবা ষ্টদি অমনা সার্স-কোভ-২ ইনফেক্সনগী মতুংদা অনৌবা লায়না অমা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকপগী মতাংদা এগজামিন তৌখ্রে হায়রি।

চহী অমা হেনবগী মমাঙদগী ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না কোভিদ-১৯বু পেন্দমিকনি হায়না লাউথোকখিবা মতমদুদগী হৌনা মীওই মিল্লিয়ন ১৬৪ হেনবদা লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনবগা লোয়ননা মসিগী মহৈ ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ৩.৪ শিহনখ্রে।

লায়না অসিনা ইনফেক্ট তৌরবা মীওই কয়া অমদি এসিম্পটোমেটিক ওইরি, অদুবু অতোপ্পা মীওই কয়া অমনা মাইল্দ ওইবদগীনা সিভিয়র ওইবা সিম্পটোমশিং মায়োক্লরি। অকনবা মওংদা নাবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী মশিং য়াম্না য়াম্বা মরম্না হোস্পিটালশিংগী আই সী য়ুশিং কেপাসিতিদগী হেন্দোক্লা পীক থনবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাক কয়াগী হেল্থক্যের সিষ্টেমশিংবু ভাইরস অসিনা খুদুম চনশিনখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লাইওংশিংদি চয়োল খরগী মনুংদা কোকখিবা য়াই, অদুবু মখোয় অসি য়াম্না হেন্না কুইনসু লৈবা য়াই। দোক্টরশিংনা হায়রিবা ইস্যু অসিবু ‘লোং কোভিদ’ হায়না খঙনবগা লোয়ননা ফিভম অসিবু মায়োক্লরিবা মীওইশিংবুনা ‘লোং হোলর’ হায়না খঙনরি।

অনৌবা রেট্রোস্পেক্টিব ষ্টদি অসিনা ২০২০গী জন্যুৱারী ১দগীনা ওক্টোবর ৩১ ফাওবগী মরক্তা সার্স-কোভ-২ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবা মীওইশিংবু এগজামিন তৌখি। সার্স-কোভ-২ ইনফেক্সন লৈবা মীওই ২৬৬,৫৮৬ দগী, রিসার্চরশিংদুনা কোভিদ-১৯ দাইগ্নোজ তৌখিবা পার্টিসিপেন্ট ১৯৩,১১৩গী রেকোর্দশিং এগজামিন তৌখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২১নি ফোলো তৌখি।

ষ্টদি অদুগী চাংয়েং মথং মথং তৌরবা মতুংদা রিসার্চরশিং অদুনা থেংনখি মদুদি, কোভিদ-১৯ নাবা পার্টিসিপেন্টশিং মখোয়না মায়োক্লখিবা সার্স-কোভ-২ ইনফেক্সনগী একুট ফেজ (কোভিদ-১৯ দাইগ্নোজ তৌখিবা মতুং অহুমশুবা চয়োলদগীনা মতুং তারকপা থা তরুকফাওবা) গী মতুংদা ট্রিটমেন্ট মথৌ তাবা অনৌবা লায়না য়ামদ্রবদা অমদি দিভেলপ তৌরকখি।

হান্না নাখিবা অনাবা অমনা মরম ওইরগা নারকপা অনৌবা হেল্থ কন্দিসন অমবু ‘সিক্লিলা’ কৌই। ষ্টদি অদুগী ওথরনা হায়রি মদুদি, ‘একুট ইনফেক্সন (কোভিদ-১৯) অসিগী মতুংদা রিস্ক হেনগৎলক্লিবা অকক্লবা সিক্লিলাশিং অসি কার্দিওভস্কুলর, ন্যুরোলোজিক, কিদনি, রেস্পিরেটরি, অমদি মেন্টল হেল্থ কমপ্লিকেসনশিং য়াওনা ওর্গান সিষ্টেমশিংদা থেংনৈ।

হায়রিবা মীওই কাঙলুপ অসিদা অনৌবা লায়না অমা দিভেলপ তৌরকপগী রিস্ক অসি কোভিদ-১৯ দাইগ্নোজ তৌখিদবা কন্ট্রোল গ্রুপ অমগা চাংদম্নবদা ৫% ৱাংবা হেনখি।

সার্স-কোভ-২ ইনফেক্সনগী মতুংদা অনৌবা মেদিকেল কন্দিসন অমা মায়োক্লরকপা য়াবগী ওইথোকপা অসি অহল ওইরবা মীওইশিং নৎত্রগা প্রিইগজিষ্টিং কন্দিসনশিং লৈবা মীওইশিংদদি অকক্লবা লৈতে। মমাঙদা হেল্থ ইস্যুশিং লৈখিদবা য়াওনা নহা কয়া অমদা কোভিদ-১৯ নারবা মতুংদা অনৌবা লায়না অমা দিভেলপ তৌরকখ্রে।

‘কোভিদ-১৯ কনফার্ম তৌরবা নৎত্রগা সস্পেক্তেদ ওইবা মীওই খুদিংমক্তা লোং কোভিদ নারকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা অদুগী মতাংদা হেল্থক্যের প্রোফেসনেলশিংনা মীৎ-না শিংনা লৈগদবনি। অসিগুম্বা লোং-টার্ম কনসিক্বেন্সশিং অসিবু করম্না লায়েংগদগে হায়বসি হৌজিক খ্বাইদগী হান্না রিসার্চ তৌগদবা হীরম অমনি’ হায়না লন্দনদা লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ফোর হেল্থ রিসার্চকী সাইন্টিফিক এদভাইজর ডা. ইলাইন মেক্সৱেলনা এসোসিএটেদ এদিটোরিয়ল অমদা ফোঙদোকখি হায়রি।

ষ্টদি অসিগী রিজল্টশিং অসিনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হন্থহনবগী মরুওইবা অদু হেন্না ময়েক শেংহল্লে। মী শিব অমদি হোস্পিটালাইজেসনগী চাং হন্থহনবা হায়বসিনা মদুগী খ্বাইদগী ময়েকশেংবা রিজল্ট ওইরগসু মালেম পুম্বগী হেল্থক্যের সিষ্টেমশিংদা হেন্না শাংথনা পীরক্কদবা ইফেক্টশিং অদুগী মতাংদা খন্নবা হায়বসিসু মরু ওই হায়রি।

হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরদা ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) :

হিয়াংলম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী লাংমৈদোংদা লৈবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরদা মীওই ২২০ রোমদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা চথখিবা ভেক্সিনেসন অদুগী মতাংদা এম এল এ রাধেশ্যামনা, লৈঙাক্লা কোভিদকী লায়না অসিবু লাশিন্নবা মীয়াম হুপ্না ভেক্সিন কাপ্পীয়ু হায়না আপিল তৌখ্রবসু কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী লাংমৈদোং এরিয়াদা কোভিদকী ভেক্সিন কাপথোক্লবা মফম লৈতবনা মরম ওইদুনা নহানমখৈ খুল অসিগী মী অয়াম্বা ভেক্সিন কাপ্তুনা লৈরম্বনি। অদুবু হৌজিক লৈঙাক্কী অনৌবা থৌরাং অমা ওইনা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরশিংসু ভেক্সিনেসনগী সেন্টর ওইহনবগী খোঙথাং অদুগী মখাদা মহাক্লা শীন্দুনা ঙসিগী অহানবা রাউন্দগী ভেক্সিন অসি কাপ্পনি। মরম অসিনা ঙসি হীদাক কাপহৌদবা লাংমৈদোংগী মীয়াম্না সেন্টর অসিদা লাক্তুনা হীদাক কাপ্পীয়ু। লোয়ননা কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী অরোং তেরাগী হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরদসু ভেক্সিনগী থবক অসি অথুবা মতমদা হৌরগনি হায়খি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

ভৈয়া মমাং থোঙ হাংদ্রবদি মনিং থোঙদা চঙলকপা য়াদ্রো সট্রদা হীরিবা নম্বরসিদা হান্না ফোন তৌরকপা য়াদ্রা?

ভৈয়া মমাং থোঙ হাংদ্রবদি মনিং থোঙদা চঙলকপা য়াদ্রো। নৎত্রগা সট্রদা ইদুনা থেৎলিবা মোবাইল নম্বর অসিদা ফোন তৌরকপা য়াদ্রো। পোৎ শুনা লৈরে হায়বা পুলিসনা উখিনি, হেক ফাবদা লুপা লিশিং ১ ফাইন অদুগা অহিং অমা লোকঅপতা। অদুনা ভৈয়া হান্নগী মমলদো য়াদ্রে। লুপা ৭০০ হাপকৎপা তরে, ঙন্নে লৌরো, ঙমদ্রে তোক্লো, থুনা হায়রো, পুলিস লাক্লনি হায়বা...! মসিনি কর্ফিয়ু মনুংদা হোল সেল্লর, রিটেলর অমসুং দুকান ফন্নিবশিংগা শান্নরিবা লীলা অসি। মখোয়বু য়েংশিন্নবা মী ৱাৎতনা লৈ। অদুবু য়েংশিনদবগী মরম লৈরম্বা য়াই। মসিনা মরম ওইরগা হেন্না অৰাবা মায়োক্লরিবদি লায়রবা ইমুংগী মীওইশিংনি। লৈঙাক্কী য়াথং থুগায়রুবদা ৱাকোং শেল তিংগনি কিজবা অয়াম্বনা যূমদগী মপান থোক্লুদে। লৈঙাক্কী, পুকচেল চাওবা কনাগী মতেংসু ফংদা লাইরবদা লাই চঙবা হায়বদু থোক্লে। লৈঙাক্লা কোভিদ ভেক্সিন মীপুম খুদিংমক লোইনা কাপথোকপীবগা লোয়ননা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফখিদুনা মহৌশাগী ফীভমদা লাক্লবদি শেন্দোং য়াম্না পাম্বা করবার ৱালাশিংগী ভৈয়া মনিং থোংদা চঙলকপা য়াদ্রো হায়বা ৱাহৈসি অমুক হন্না তাখিদবসু য়াই।

❒ এল ইবোমচা, তাউথোং

টেষ্ট তৌরগা নেগেটিভ ওইরবা মতমদা ভেক্সিন কাপ্পবদি লায়না শন্দোকপা হন্থগনি হায়না খল্লি

কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ অসিদা হীংনরিবা পুন্সি মহিংশিং অসি তং-তাদবা ফীভম অমদনি। অকিবনা লাকহৎলক্তুনা ৱাখলগী লায়না কয়াসু থোক্লক্তুনা পুন্সি কয়া ৱায়োং চাদবা থোকহল্লি। অহানবদগী হেন্না কনবা অমসুং শাথিবা হেল্লিবা অনীশুবগী ৱেভ অসিদা হান্নদগী হেন্না কোমথোকপা চেকশিন্দবা মানবা মওং কয়া মীয়াম অমসুং লৈঙাক্তা লৈবদৌনা উরি। হৌজিক ওইরক্লিবা মীশি-মীনা অসিদা লৈঙাক্লা থোয়দোক্লা অখন্নবা মীৎয়েং থমহৌদ্রবদি লাক্কদৌরিবা মতম খরা অসিদা মীওই পুন্সি কয়া তম্বা ঙমদবা ওইরকপা য়ারি। লাইচৎ অসিগী চেন থুগাইনবা মফম অয়াম্বদা চয়োল অনীরোম লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থম্নরি। অদুবু চাদবা য়াদবনিনা চাননবা চেং-হৱায়নচিংবা য়েনবিদ্রগদি শুরগা চাজবা মীয়াম চৎন-কাংলোন খঙলবসু ঙাক্তবনা লাইচৎ অসি অহোয়নদুম মথোই হাপ্পদৌনা অনাবা অমসুং অশিবগী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতম চানা মীয়ামদা মতেং পাংবিরবদি মরোল লোনবা হৌরক্লিবা মীচমশিং অসি খরদং ফরমগদবনি। টেষ্ট তৌরবা মতুংদা নেগেটিভ ওইরবা মীওই খক্তমক ভেক্সিন কাপ্পবদি ফগনি হায়না খল্লি।

❒ প্রেমচন্দ্র লৈতাম, খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৫।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা;
কালেনগী ১৪নি পানবা।

মেষ: ঙসিসু শোইদনা নিংবা থুংবা, হকচাং খিংবা অমদি মরুপ মপাংশিংনা লুনা চান্না তৌবিবা ফংগনি। ৱাঙাং হৈত্রদি নরলদা য়েংশিনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ: লাইবক ফবা লৈ-চিংনগনু। নংগী ওইবা মীশিং লোইনবদি হেন্না ফগনি অমদি অনৌবা থৌরমদা পুক্নিং চংবা কান্নগনি। ঙাইঙমদবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: নরলদি চেকশিল্লু অমদি অরোন অথুপ কাংথোকপনা খুদোংচাবা মাংগনি। ইমুং মনুং ৱাখল মান্নবনা থৌ পাংবা, অচুম্বনা মাই পাকপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: খনম্থদনা হোয়া ফগনু, মরুপকা নুংঙাইনরোই। অমরোমদা মীগী মতেংনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজৌ হায়বদি লৈ। ইচং থৌবগীসু কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: ঙসিসু নিংবা থুংগনি, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজবা অমদি মীনা থাগৎপিবা নুমিৎনি। য়েৎনরম্বা লৈরসু মাই পাক্লনি। থিবা হুম্বা তনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: অয়াম্বা থবক্তা অনিরক খন্থবা ফগনি, নত্রদি ফত্তবা হৈনবীদা তাগনি। লাই গুরুগী ৱা কাওগনু অমদি অরুবা ৱারেপ মতোমতা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: অনম তানবা, নাপল তৌবা অমদি শকখংদবগী ৱা লৌবা য়াদে। নিংবদুমকতি পাংবা মাই পাক্লনি, মীয়ামগী খল্লগা থৌ পাংবা শিংবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: লাইবক ফবা খরা ৱাৎলসু অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলসু-মীকোক থোংগনি। মফম চাদনা শাওবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা অপঙ তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু: মীংচৎ অমদি শেল তানবদা মাই পাকচৌ হাইবা নুমিৎনি। অরিবা থবক্তগী কান্নবা ফংউ হাইবসু লৈ। অদুবু অফা অপুন্নবা অমদি য়েৎনবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীই পাক্লনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: থবক পাংগনি, নিংবা মপা চাগনি অমদি নচা ননাইগী নুংঙাইবা উজগনি। অদুবু নোল্লুক্লা চৎলগদি অফবা মরুপ কাইনবা য়াবদৈ কঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্ভ: কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি অরুবা ৱাফম লাক্লসু খুদক্তা ৱারেপ লৌবা য়াগনি। অঙম্বনা মীপাইহনবদি লৈগনি অদুবু কান্নবসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন: অঙম্বনা নুংশাথিবা নংহনবা য়াবা লৈ-ফিংগনু। মরুপ নত্রগা ইমুং মনুং লোইনৌ-য়াম্না চাওখৎকনি। তুংগী থৌরম য়াৎথোকপসু মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা খাংখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।